# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 01-08-2025)**

**পুলিস (এল)ঃ** জিরিবামগী বোড়োবেক্রাদা নুপী অহুম অমসুং অঙাং অহুম হাৎখিবগী থৌদোক্তা মপুং ওইনা চেন্নবা মীওই অমা নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন.আই.এ) অমসুং অসাম পুলিসকী অপুনবা কাংবু অমনা ফারে।

রাজ্য পুলিসকী কন্ট্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-নুপী অহুম অমসুং অঙাং অহুম অদু মমাং চহিগী নবেম্বর ১১ দা বোড়োবেক্রাদগী মিলিটেন্টশিংনা ফারবা মতুং তমথিনা হাৎখিবনি। মখোয়গী হকচাংশিং ফিভম শোকা বরাক তুরেলদগী ফংখিবনি। থৌদোক অদুদা চেন্নবা বোয়া হায়নসু খঙনবা থাংলিয়েনলাল মার কৌবা অসামগী কছার জিলাগী মোইনাথোল দিল্কসোস ঘাটতগী মীওই অসি এন.আই.এ. অমসুং অসাম পুলিসকী অপুনবা কাংবুনা ফাগৎখিবনি। মহাকপু মচিন হংবদা মহাক থৌদোক অদুগীদমক লৌতুনবা অমসুং তমথিরবা মীহাৎ অদুদা চেন্নবনি হায়বা খঙবা ঙমলে। এ.আই.এনা কেস অসিগী মতাংদা মখা তানা থিজিনবগী থবক চথুরি।

অমরোমদা, রাজ্য অসিগী চিং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা চিংনবা মফমশিংদা এরিয়া দোমিনেসন অমসুং থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথুরি। চুরাচান্দপুর জিলাগী কে. গেংজাং মনাক্তা লৈবা থাংজিং চিংগী মফম অমদগী মেগজিন য়াওবা এ.কে. রাইফল অমা, এস.দি.বি.এল. সোর্ট গন অমা, পোম্পী অহুম, দিটোনেটর অহুম, বাউফেং রেদিও সেট অনি, হেলটমেদ অহুম য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়ামরুম ফাগৎলে।

অককবা পাউ অমা ফংবদগী থৌবাল জিলাগী সলুংফম এরিয়াদা থিবা হুম্বগী থবক চথুবদা কে.ৱাই.কে.এলগী মীওই অনি ফারে। মখোয়দগী মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, থারতি সিক্স ঐচ.পি. হেন্দ গ্রেনেদ অমা, নাইন এম.এমগী মরু অহুম অমসুং শেল ওইনা লুপা লিশিং মঙা ফাগৎলে।

মখোয় মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা মীওইশিংনি হায়রি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ৱাংখৈ কৈথেল অশাংবীদা লৈবা মশাগী য়ুমদগী ঙরাং রাজ্য পুলিসনা ফারে। মঙোন্দগী নাইন এম.এমগা মরু ৯, বুল্লেট প্রুব জেকেট অমা, পি.আর. কপ সিরফ বোটল ১১২, শেল ওইনা লুপা লিশিং ৩২,৬০০ অমসুং আই. ফোন অমা ফংলে।

পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা খুরাই চাইরেনখোংদগী প্রিপাক (প্রো) গী মীওই অমসু ঙরাং রাজ্য পুলিসনা ফারে। কে.সি.পি. (নোংদ্রেনখোম্বা) গী মশানা মশাবু আর্মি চীফনি হায়জবা মীওই অমসু বিষ্ণুপুর জিলাগী ফুবালা পাৎতোন এরিয়াদগী ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে।

**ইনক্রোসর(এল)ঃ** সরকারনা লম খোপচিনবশিং তকথোকপগী থবক চথরক্লিবা অসিগী শরুক অমা ওইনা থা অসিগী ৬ তা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ইম্ফাল ৱেষ্ট, মহুদ, ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোরপোরেসন, চীফ টাউন্দ প্লান্নর অমসুং মরী লৈনবা বিভাগশিংগা লোয়ননা থঙ্গাল বজার অমসুং পাউনা বজার ইম্ফালগী মফমশিং লম কয়া য়ামা খোপচিনবগে হায়বগী সর্ভে অমা পাঙথোক্কনি।

দিপ্যুতি কম্মিস্নার ইম্ফাল ৱেষ্ট-ময়াংলংবম রাজকুমার সিংহনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-লমগী মপুশিং, দুকান মপুশিং অমদি মীয়ামনা সরকারনা পায়খৎলক্লিবা থৌরাং অসিদা মতেং পাংবীনবা আপিল তৌরি।

অতোপ্পা চেরোল অমদা দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা হায়-কৈশাম্পাৎ জঙ্কনদগী নিংথেমচা কারোং ফাওবা, নিংথেমচা কারোংদগী ময়াং ইম্ফাল বেঙ্গুন ফাওবা, নাউরেম থোংদগী তেরা বজার ফাওবা, সনা কৈথেলগী পরিং (ওফিসার ক্লব সার্কলদগী সিনাম লৈকাই) ফাওবা, রিমস রোড অমসুং রিমস কান্টিন রোডকী লম্বী পরিং অসিদা সর্ভে অমা হয়েং অয়ুক পুং তরেৎতা পাঙথোক্কনি।

চেরোল অদুনা হায়-লম্বী পরিং অসিদা লম কয়া য়ামা খোপচিনবগে অমদি নুঙ লৈঙোই, অমোৎ অকায়শিং পৈশিনদুনা থন্বা মফমশিং চৎথোক চৎশিনদা

অপনবা পীবশিং য়েংশিনগনি।

**নোনে (এল)ঃ** সংবিধান ঙাক শেন্দুনা থমবগী মতাংদা মীয়ামগী খোঙচৎ অমা ঙরাং নোনে দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসতা চৎখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট লেবেল সংবিধান বচাও রাস্ত্রিয়া পৎদা যাত্রা রেল্লি অদু তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট কংগ্রেস কমিতিনা শিনদুনা নোনে জিলাগী লোংমাই পার্ট থ্রিদা লৈবা মল্টি পরপজ হোলদা পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা সংবিধান ঙাক শেন্দুনা থমবা ৱাফমশিং ফোংদোকখি।

**চান্দেল(এল)ঃ** রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ য়ুনিভরসিতি এন্দ হয়ার এদুকেসননা মমাং থাগী ৩০ দা থোকখিবা ওর্দর অমদা য়ুনাইটেদ কলেজ-লাম্বুং চান্দেলবু খ্বাইদগী হন্থবা কেটেগোরিদা থল্লকপা অদুবু অনাল নাগা তাংপি-চান্দেলনা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

লুপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-চান্দেল জিলা অসি শোথরিবা জিলা অমনি হায়দুনা কেন্দ্র সরকারনা এসপিরেস্নেল দিষ্ট্রিক্ট ওইনা লাউথোক্তুনা শেমগৎ শাগৎপগী থবক কন্না চথরিঙৈ মনুংদা জিলা অসিগী ওইনা য়ামা মরুওইবা মহৈ শঙ অমা ওইরিবা কলেজ অসিবু হন্থবা থাক্তা থল্লক্লিবা অসি অমুক হন্না য়েংশিনবীনবা লুপ অসিনা মরী লৈনবা ওথোরিতিগী পুকিং চিংশিল্লক্লি।

**পিএমঃ** পিএম-কিষানগী ২০ শুবা ইন্সটোলমেন্টকী শেনফম লুপা কোতি লিশিং ২০,৫০০ হেনবগী শেনফম লৌমী কোতি ৯ লাখ ৭০ দা হয়েং প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা বরানাসিদা য়েন্থোক্লগনি।

প্রধান মন্ত্রিগী উত্তর প্রদেস খোঙচৎ মনুংদা শ্রী মোদিনা লুপা কোতি লিশিং ২,২০০ রোমগী তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্ট কয়া শঙ্গাগনি, খরগীনা উরেপ

উয়ুং তমগনি। নৌনা পাকথোক্তুনা শেমগৎলবা বরানাসি-ভাদোখি লম্বী, সিতাউনি-স্কুল তনকেশ্বর লম্বী, হরদদপুরদা শাবা রেলৱেগী ওভর ব্রিজ অমসুং মোহন সরাই-অদলপুরা লম্বী প্রধান মন্ত্রিনা শঙ্গাগদবশিংগী মনুংদা য়াওরি।

**মুরমু ঃ** রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি-ঝরখন্দগী দিওগরদা লৈরিবা ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্সেস (এইমস) অসিনা লমদম অদুগী মীয়ামগী অনা লায়েংগী ফিভম ফগৎহনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

এইমস দিওগরগী অহানবা কনভোকেসনগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা রাস্ত্রপতিনা হায়-ইন্সটিট্যুট অসি লিংখৎলবা মতুং চহি তরুক্কী মতুংদা মফম অদুগী ত্রাইবেল মীয়ামগী হকশেলগী ফিভম ফগৎহন্নবা দরকার লৈবা থবকশিং পায়খৎনবা পান্দম থল্লি হায়নসু শ্রীমতি মুরমুনা ফোংদোকখি।

**দুরান ঃ** ১৩৪ শুবা ইন্দিয়ান ওইল দুরান কপগী গ্রুপ (এফ) কী মেটচ অমদা ঙসি ইন্দিয়ান নেভি ফুটবোল টিম অমসুং রেয়েল কাশ্মির এফ.সিগা নুংথিল পুং মরি তাবা মতমদা ইম্ফালগী খুম্মন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা শান্নরগনি।

গ্রুপ (দি) গী অসামগী কোক্রাঝারদা লৈবা সাইক ষ্টেদিয়মদা ঙরাং নুংথিল শান্নখিবা মেটচ অমদা বোড়োলেন্দ এফ.সিনা করবি অংলোং মোরনিং স্তার এফ.সিবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা-জিরিবামদা মীওই তরুক হাৎখিবগী থৌদোক্তা চেন্নবা মীওই অমা ফাখিবা, থঙ্গাল অমসুং পাউনা কৈথেল য়াওনা একনক্রোসরশিং তকথোকপা অমদি ওজাগী খোঙজং হন্দোকখিবগী পাউনা মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

জিরিবাম মীহাৎতা চেন্নবা নুপা অমা এন.আই.এনা অসামগী কছার দিষ্ট্রিক্টতগী ফারে হায়বা পাউনা পোকফম, নহারোলগী থৌদাং, সনা লৈবাক অমদি হুহয়েন লানপাউদা অহানবা অমদি অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরি।

কাংলুপ অমা এস.টি. লিষ্টতা চলহন্নবগী ৱাফমসি ষ্টেটনা রিকমন্দে অমসুং জসটিফাই তৌরবা মতমদা খন্নগদবনি হায়বা য়ুনিয়ন মিনিস্তর ওফ ষ্টেট ফোর ত্রাইবেল এফিয়ার্স-দুর্গা দাশকী ৱাফম পোকফম পাউচেদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ওজাশিংগী পেন দাউন্দ ষ্ট্রাইক হন্দোকখিবগী পাউ অয়াম্বা পাউশিংগী অহানবা লামাইদাহেদলাইন তৌরি।

পেন দাউন্দ ষ্ট্রাইক্কী পাউ অসি-তমেংলোং টাইমসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা-ই.সি.আইনা ইলেক্তোরেল রোল শেমগদৌরিবা অসি কুকি জো মীয়ামগী পোলিটিকেল বোইজ নমথনবনি হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। লৈঙাকা ইভিক্সন দ্রাইব লেপ্তুনা চথুরি, চথুখিগদৌরি, থৌবালদা লম খোপচিন্দুনা শাজিল্লন্বা ষ্ট্রাকচরশিং থুগায়দুনা তকথোকপা হৌখ্রে হায়বা পাউ অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংলি। পাউ অসি সনা লৈবাক্তসু অহানবা লামাইদা ফোংলি।

মনিপুরদা প্রসিদেন্ট রুল শাংদোকপগী মতাংদা মোত কয়া ফোংদোক রক্লি হায়বা হেদ লাইন মখাদা তোঙান তোঙানবা পোলিটিসিয়ানশিংনা ফোংদোরকপা ৱাফম সনা লৈবাক পাউচেদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। ম্যান্মারদা জনতাগী ষ্টেট ওফ ইমর্জেন্সি মুথুৎখ্রে, ইলেক্সন পাঙথোক্কদৌরি হায়বা পাউ, এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা-থঙ্গাল অমসুং পাউনা কৈথেল য়াওনা এনক্রোসরশিং তকখায়খিগদৌরি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন ওইরি। জল জিবন মীসনগী

মখাদা মনিপুরদা ঈশিং কয়াম য়ামা ফংহল্লবগে হায়না লোক সভাদা তকখৎখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

য়ু.এন.সিনা থাখিবা নুমিৎ ২০ গী মতম লোয়শিল্লকপগা লোয়ননা অকনবা খোঙজং চংশিল্লগনি হায়না হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি তমেংলোং টাইমতসু অহানবা লামাইদা ফোংলি।

এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ট-কে. মেঘাচন্দ্রগী লুচিং মখাদা নোনেদা সংবিধান বচাও রেল্লি চংখিবগী পাউনা গানফিয়ু মেলগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।